এন ঈ সীগী শেন্থং মখাদা লুপা ক্রোর ৬.৯৭ রোম চঙনা ময়াং ইম্ফাল এ সীগী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল কৈথেলদা শাগৎখিবা এগ্রো মার্কেট কমপ্লেক্স চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা

কাদা থিনুঙ্গৈ য়ুনিট অমসুং কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ময়াই কাবা চীঙাক্না খুন্নাইদা পীরকপা চৈথেংশিং অমসুং মসিবু থিংননবা হোৎনবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফম

KHANNA - NEINABA
COALITION AGAINST DRUGS & ALCOHOL (CADA)

লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখলদা উরিপোক এ সীদগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপর্সন আর কে রানিসনানা উরিপোক য়ুথ কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা হকচাংগী ফীভম শোল্লবশিংগী ইমুংদা চান-থক্লবা তেংবাঙখিবা

কাদা, যু পি এফ, নিপকো, এমসু, যু পি এ সী ও অমসুং মপি কাউন্সীলনা পুন্দুনা শেমখিবা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরনা আয়ুশকী হিদাকশিং ক্লবশিং অমদি কোভিদ টাস্ক ফোর্সশিংদা য়েন্থোকখিবা

সী পি আইদা য়াওখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিবা ত্রিপুরাদা ত্বিপ্রা মোথা পার্টি অমসুং বি জে পিগী মচিন চৎপা ৱার্কর ১০ রোম সান্ত্রোবাজার এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী সী পি আইদা য়াওখ্রে। কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী সী পি আই লুচিংবা কমরেদ সত্যজিট রিয়াঙনা নৌনা সী পি আইদা চঙলকখ্রবশিংবু অঙাংবা ফিরাল মখাদা তরাম্না ওকখি। নীংশিংবা য়াবদি ত্রিপুরাদা লেফ্ট ফ্রন্ট লৈঙাক তুখিবদগী বি জে পি ৱার্করশিংনা সী পি আই অমসুং সী পি এমগী ৱার্কর কয়াগী ইমুংশিংদা য়ৈখাই থিনগায়বা থোকহনবদা নত্তনা লোকেল পার্টি ওফিস কয়াসু মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রবনি হায়নসু কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসটিভ মীখলদা থৌবাল এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইগদৌরিবা কোন্সম মাইকেলনা থৌবাল ৱাংমতাবা মথক লৈকায় কৈরম্বীদা লৈবা য়ং দিভেলপমেন্ট স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনগী নহারোলশিংদা নুমীদাংগী মতমদা মৈ থাল্লগা শান্ননবা য়ানবগী ফ্লদলাইট সেট মরি মতেং পাংখ্রে। ঙসি নুমীদাং থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা লৈবা কোন্সম মাইকেলগী য়ুমদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা ফ্লদলাইটশিং মহাক্না য়ং দিভেলপমেন্ট স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন (ৱাই দি এস ও) গী মেম্বরশিংদা খুদোল তমখ্রে।

এ আরনা ফর্ষ্ট এইদ পীখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অপ্পর ঙারিয়ান খুলদা লৈবা চহী ২৪ রোমতা ঙাইরিবা নুপামচা অমা লিননা চিকপদগী আই জি এ আর (সাউথ) খৌপুম বট্টলিয়নদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা ঙরাং ফর্ষ্ট এইদ পীদুনা মতেং পাংখ্রে। অসাম রাইফলসকী বেজ কেম্প অদু এন খুনৌ খুলদা লৈবনি। চহী ২৪ শুরবা নুপামচা অদু লিননা চিকপদগী এ আরগী বেজ কেম্প অদুদা মেদিকেল ডোক্তরনা ফর্ষ্ট এইদ পীখি। তুংদা নুপামচা অদু মখা তানা লায়েংনবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে হায়রি।

আর কে রানিসনানা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর জেনরেল এসেম্ব্লী ইলেক্সনদা উরিপোক এ সীদগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপর্সন আর কে রানিসনানা এ সী অসিগী অৱাবা তারবশিংদা চানবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী চ্যেরপর্সনসু ওইরম্বী আর কে রানিসনানা উরিপোক এ সীগী মনুংদা অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা লেপ্তুনা চখৎরক্লিবা মতেং পীবগী মখা চখৎরকপা ওইনা ঙসি উরিপোক য়ুথ কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা লৈকায়গী অৱাবা তারবা হকচাংগী ফীভম শোল্লবশিংদা নিত্যাইনন্দ প্রভু মান্দপতা পাঙথোকপা থৌরমদা চেঙ কে জি ৫ অমদি চানবা পোৎলমশিং মতেং পীখি। আর কে রানিসনানা উরিপোক অসি ইম্ফাল ময়োলদা লৈবা এ সী ওইরবসু হীরম কয়াদা শোত্থবা এ সী অমা ওইদুনা অৱাবা মায়োক্নবগী মথক্তা লৈতলায়রবা ইমুং কয়ানা লৈঙাক্কী পীরিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংবা ৱাৎপনা হেন্না শোত্থবা পুন্সি অমদা হিংলি। উরিপোক এ সীদা অওনবা চাউখৎপা পুরক্লবা বি জে পিনা মায় পাক্লনবা মীয়াম্না হোৎনসি হায়খি।

দি সীগী খুত্থাংদা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

HON'BLE PRIME MINISTER
BHARATIYA KISAN SANGH

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘনা দেল্লীদা মীফম অমা ফল্লবা মতুং হৌখিবা ওগষ্ট ৮দা লৌমীশিংদগী মিনিমম সপোর্ট প্রাইস (এম এস পি)তা লৌগী পোত্থোকশিং লৈবসি তোকপীয়ু, ফ্যের রিম্যুনরেটেদ প্রাইস হায়বদি কোষ্ট ওফ প্রদক্সনদা বেজ তৌরগা শেন্বা চপ চাবা মমলদা লৈবীয়ু হায়বা মেমোরেন্দম অমা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা পাউখুম অমত্তা লাক্তবদগী ঙসি অমুক হন্না ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মেম্বরশিংনা দি সী বিষ্ণুপুরগী খুত্থাংদা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মেম্বরশিংনা মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স, বিষ্ণুপুরদা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীখিবা মেমোরেন্দম অদু এ দি এম বিষ্ণুপুর ঐচ বোবি শর্ম্মাদা খুৎশিন্নখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম ইন্দ্রভূষণনা ফোঙদোকখিবদা, মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমগী রেস্পোন্স অমত্তা লাক্তবদগী ঙসি অমুক হন্না মেমোরেন্দম অসি দি সীগী খুত্থাংদা পি এম য়ৌহনবীনবা পীশিনবনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা মণিপুরগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫ মক্তা মেমোরেন্দম অসি মফম মফমদুগী দি সীদা পীশিনজবনি। লৌমীশিংনা ৱানা হোৎনদুনা লৌ উজরগা লোকপা ফৌ অয়াম্বা হৌজিক কৈশিংদা তাদুনা লৈরে। মসিদা নত্তনা হার ফংবা ফংদবগী প্রোব্লেম ময়াম অমসু লৈরি। ময়াম অসিসু য়েংশিনবীদুনা লৌমীশিংগী অৱাবসি কোকহনবীয়ু হায়জবনি। হান্না পীশিনখিবা মেমোরেন্দমগী পাউখুম অমত্তা ফংদবা অসি লাইবক থীবনি। ঙসি অমুক হন্না পীশিল্লবা মেমোরেন্দম অসিগী মতাংদা নুমীৎ ১০নিগী মনুংদা রেস্পোন্স ফংদ্রবদি মখা তাবা খোঙথাং চত্থননবা শেম-শারে হায়খি।

মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স বিষ্ণুপুরদা চত্থখিবা খোঙজং অদুদা লৌমীশিংগী ফৌ মতিক চাবা মমলদা লৈঙাক্না লৈগদবনি। লৌমীগী পুন্সি কল্লু। হার য়োনবগী অকনবা পোলিসী শেম্মু। লৌমীশিংদা হার মরাং কায়না ফংহল্লু। লৌমীশিংদা হার মতম চানা ফংহল্লু। লৌ ৱাইরগা উবা লৌমীদা প্রাইম মিনিষ্টর কিষান বেনিফিট ফংহল্লু, টেনেন্ট লৌমীশিংদসু লৈঙাক্কী খুদোংচাবা পীগদবনি হায়না ইবা প্লেকার্দশিং শীজিন্নখি।

অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপকী ২১শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

অপুনবা মনিপুর কনবা ইমা লুপ (অমকিল)
মফম: AMIKIL Office, Keisham Meibam Leikai

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী ২১শুবা মপোক কুমওন থৌরম কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চম্না লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ লৌরেম্বম ঙানবী, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট য়ুম্লেম্বম মেন্মা, নিম্পালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমা, এ এন য়ু এলগী প্রসিদেন্ট এল প্রমো অমসুং থৌবাল ইমাগী জেনরেল সেক্রেটরি এম সনাতোন্বীনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ এন ঙানবীনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ফাওবদা অমকিলনা খুন্নাই অসিগী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়া থেংননবা হোৎনবদা শরুক য়াদুনা কত্থোক্তুনা লাক্লি। মতুং তারকপদসু খুন্নাই অসিগী ইস্যু খূদিংমক্তা অপূনবগী ওইবা খোঙথাংদা মায়োক্নবা মতম পুম্বদা শেম-শাদুনা লৈরি। লোয়ননা মান্নবা খুন্নাই অমা শাগৎপদা মায়োং য়াদুনা চঙশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা অমকিলনা হৌরকখিবা অমদি অমকিলনা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি।

রাজ্য সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর টিচরস এসোসিএসন (এম যু সী টি এ)গী মায়কৈদগী থম্মোয় শেংনা ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়না এম যু সী টি এগী ভাইস প্রসিদেন্ট জি বিসেশ্বর শর্ম্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী নাৎ, কলচরবু হেন্না অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগীদমক মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরবু সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা ওনখৎনবা হৌখিবা ওগষ্ট ৯দা ফমখিবা পার্লিয়ামেন্টগী নোংজু মীফমদা স্পেসল মোসন ওইনা পুখৎপীখিবা অমদি সেপ্টেম্বর ৭ তসু হীরম অসিগীদমক থবক পায়খৎনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এদ্যুকেসন ধর্মেন্দ্র প্রধান উনবীখিবা রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববু এম যু সী টি এগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এদ্যুকেসন ধর্মেন্দ্র প্রধাননা পোজিটিভ রেস্পোন্স পীবীরকপগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা এম যু সীবু করম্না চাউখৎহনসিগে হায়বগী ৱাখলদা তুম্বা চাবা খঙদ্রবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরিবা প্রোফেসর পি গুনিন্দ্রোবু থাগৎচরি লোয়ননা মরী লৈনবা পুম্নমকপু এম যু সী টি এনা ময়ামগী মহুৎ শীঞ্জরগা অমুক্কা হন্না থাগৎচরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ডা. রোজিৎ অমসুং সনাথোই নোংমাইথেম তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৫দা চেন্নাইদা লৈবা নরাদা ঘনা সভা ওদিটোরিয়ম হোলদা গ্লোবেল হ্যুমেন পিছ য়ুনিভর্সিটি চেন্নাই অমদি পিপল ফোরম ওফ ইন্দিয়া ভারত সেবক সমাজগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কনভোকেসন অমসুং ইন্টরনেসনল পিছ কনফরেন্স এন্দ এৱার্দ সেরেমোনিদা ডোক্তর ওফ সোসল সর্ভিস ৱিথ স্পেসিএলাইজেসন ইন হ্যুমেনিটিগী ফিল্দদা ওনরেরি ডোক্টরেট এৱার্দ পীরকখ্রবা তোল্ল-তারবা কয়াদা মতেং পাংদুনা লাক্লিবা কুম্বী ময়াই লৈকায়দগী ডা. নোংমাইথেম রোজিৎ অমসুং ইনোভেটিভ অমদি ক্রিএটিভ আইদিয়াশিং শীজিন্নরগা ৱাটর পম্প হাপ্লগা মোটোর সাইকল পুথোকখিবা সনাথোই নোংমাইথেমবু তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে হায়না কুম্বী আইদিয়েল য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কে আই ৱাই দি ও)গী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুম্বী আইদিয়েল য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কে আই ৱাই দি ও), কুম্বীনা শীন্দুনা ঙসি কুম্বী অৱাং হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নোংমাইথেম মুহিন, থোকচোম রামকুমার অমসুং খাঙেম্বম শ্যামাচোরোননচিংবা শক্নাইরবা মীওই কয়ানা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা কে ৱাই দি ওগী থৌমীশিংনা ডা. রোজিৎ অমদি সনাথোই নোংমাইথেমনা মীয়ামগীদমক লৌরক্লিবা থৌদাং কয়াবু থাগৎপা ফোঙদোক্লখি।

এম ঐচ জে য়ুগী ৩৮শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (এম ঐচ জে য়ু)গী ৩৮-শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্না মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙরাং চম্না পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুনা য়ুনিয়ন অসিগী হান্না লৈরম্বা এগজিক্যুটিভশিং অদু দিজেল্ড তৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্দ্রিবফাওবা য়ুনিয়ন অসিগী ক্যের টেকর প্রসিদেন্ট ওইনা লালমলস্বাম সিলেটপু খনখ্রে। হৌখিবা চহীদা পাঙথোক্কদবা য়ুনিয়ন অসিগী মীখল অদু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা অসিগী মতাংদসু য়ুনিয়ন অসিগী মীফম্না কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা ওক্টোবর ৮দা পাঙথোক্নবসু লেপ্লখি। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগীদমক উখুলদগী এদি চিপাং, চুড়াচান্দপুরদগী বিকি অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী সাম্যুএল পাও য়াওবা মীওই অহুম্না শাবা ইলেক্সন কম্মিসন অমসু শেমখ্রে।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা য়ুনিয়ন অসিগী লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হন্দক্তা লৈখিদ্রবা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বর শোৎশং সৈজাগী মফমদসু হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। শোৎশং সৈজা তাংখুল লোলদা ফোঙবা অজা পাউচেগী পাউমীনি।

অকায় অতোয় থোকখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): নোং কন্না তাবনা মরম ওইরগা মদস্লাইদ থোকপদগী সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিটর ৩ লোম চৎলগা লৈবা কতিখো কারোংদা য়ুম অহুম অকায় অতোয় থোক্তুনা লুপা লাখ ১২ রোমগী লন-থুম অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা য়ুম অহুম অমদি ষ্টোর রুম অমা অকায় অতোয় নংখি। অদুমকপু অশোক-অপনদি থোকহৌদ্রে। য়ুম অকায় অতোয় থোক্তুনা অমদি লন-থুম কয়া অমাঙ অতা থোক্তুনা খুদোংথিবা নংলবা ইমুংশিং অসিদা মরী লৈনবশিং অমদি লৈঙাক্না তেংবাঙ পীবীননবা খুল অসিগী অহলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগী খনবা অশেংবা লৈঙাক ওইরবদি য়ু লিগেলাইজেসনগী ৱাফম খন্নরোইদবনি : প্রিয়োকুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসি মীয়ামগী খনবা অশেংবা লৈঙাক অমা ওইরবদি মণিপুরদা য়ু লিগেলাইজেসন তৌবগী ৱাফম খন্নরোইদবনি অমসুং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীদা পুথোরক্লিবা বিল অসি হাউসতগী ৱিথদ্রো তৌফম থোকই হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা ফোঙদোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱাফম অসি কাদা থিনুঙ্গৈ য়ুনিট অমসুং কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা পুন্না শীন্দুনা ময়াই কাবা চীঙাক মরু ফংনা মুত্থৎননবা কাদানা চত্থরকপা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা থিনুঙ্গৈদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমদা শরুক য়াখিবা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, চাউখৎ থৌরাংগী মিংদা শীজিন্নরকপদগী ঙসিদি মণিপুরগী লৌ উনরিবা লৌফম কয়া নোংম-নোংমগী পীকশিল্লক্লে। মণিপুরদা পুথোকচরিবা পোত্থোক অসিনা মণিপুর মীয়াম চাবা কোন্নদবদগী মপান লমদগী চহী অমদা চেঙ মেট্রিক টন লাখ ১.৫৪ রোম পুশিল্লক্লি। ফীভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না মণিপুরদা য়ু শুংদুনা মপানদা থাদোল্লগা মণিপুরগী রেভিন্যু ফগৎহন্নবা হোৎনগনি হায়বসি অঙকপা ফাওই। মীপাল তাঙদনা হিংনবা থৌরাং পায়খৎতুনা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা হান্নদগী হৌনা মীপাল তাঙদুনা লৈরিবা লমদম অসি অমুক্কা হেন্না মনিংলোমদা চিংথননবা হোৎনবা অসি ঐখোয় পুম্নমক্কী লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌওং অসিগী মায়োক্তা ঐখোয় পুন্না লেপমিন্নদুনা খুন্নাই অসি কন্ননবা হোৎনমিন্নসি।

য়ুন্ফম য়াওদবা ৱাখলনা শাগৎপা কার্ক্যুলেসন তৌদুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা পুনবা হোৎনবা লাইবক থীবনি। মণিপুরদা য়ু শুংদুনা য়োনবদা চহীদা ক্রোর লিশিং অমা লাক্কনি হায়রম্মী। অদুগা হৌজিক্না ক্রোর ৩৫০দগী ৪০০ ফাওবা লাকপা ঙমগনি হায়বসি মীয়াম্বু মীনম্বনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাকচরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কাদানা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঙাক মরু ফংনা মুত্থৎননবা লেপ্তুনা চত্থরকপা এৱ্যের্নেস পোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হুইনিংশুংবম ওংবী বসন্তি অমসুং কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সিক্ষ্য সম্মান এৱার্দ ২০২১ পীদুনা ওজা অনীবু ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল লিটরেসি দে ২০২১গা মরী লৈননা রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফাল (আর আই দি ৩২৪০)না স্কুল ওজা অনীদা সিক্ষ্য সম্মান এৱার্দ ২০২১ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়না রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট দেবকুমার থৌদামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সিক্ষ্য সম্মান এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবা ওজা অনী অদুদি ৱাইখোম লৈকায় অপ্পর প্রাইমারী স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস ইন-চার্জ নিঙোম্বম রোমাবতি অমসুং লাইকোন অপ্পর প্রাইমারী স্কুল, ইম্ফাল ইষ্টকী হেদ মাষ্টর ইন-চার্জ ৱাংলেম্বম গোবিননি। ওজা অনী অসিনা কত্থোকপা অমগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংবু অফবা মহৈ-মশিন ফংহন্ননবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা পীখিবা এৱার্দ অসিদা সর্টিফিকেট, মমেন্টো, লেংয়ান ফি অমদি ফাইনান্সিএল ইন্সেন্টিভসু য়াওরি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালগী ক্লব লিটরেসি কম্মিটি চ্যের রোটরিয়ন ডা. চৌরজিৎ মাইবমনা হায়খি, চহী খূদিংগী সেপ্টেম্বর ৮দা ইন্টরনেসনল লিটরেসি দেগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুমীৎ অসিনা ইন্দিভিজ্যুএলশিংদা, কম্যুনিটিশিংদা অমদি সোসাইটিশিংদা লিটরেসিগী মরুওইবশিং অদু হায়লাইট তৌরিবনি। চহী অসিগী ওইনা ইন্টরনেসনল লিটরেসি দেগী থীম অসি 'লিটরেসি ফোর এ হ্যুমেন- সেন্টর্দ রিকোভরি: নেরোয়িং দি দিজিটেল দিভাইদ' হায়বসিনি।

রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট রোটরিয়ন দেবকুমার থৌদামনা হায়খি, মপাঙ্গল কনবা নেসন অমা শেম্ননবা হোৎনবদা ওজাশিংনা কত্থোকপা অমগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা চহী খূদিংগী এৱার্দ অসি খনগৎলবা ওজাশিংদা পীজবনি।

সী এমনা বেঙ্গলুরু অমসুং পুনেদা ওর্গানিক আউটলেটশিং হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা বেঙ্গলুরু অমসুং পুনেদা ওর্গানিক আউটলেটশিং হাংদোকখ্রে। সী এম সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা

থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ুরোপতা থাখিগদবা জি আই টেক তৌরবা ওর্গানিক চাকহাও মেট্রিক টন ১০সু ফ্লেগওফ তৌদুনা থাখ্রে। য়ুরোপতা চাকহাও এক্সপোর্ট তৌখিবা অদু ওর্গানিক ফুদস প্রাইভেট লিমিটেদ কোলকাটাগী খুত্থাংদা নহাকপম ফুদ এন্দ ভেভিরেজেস ইম্ফালগী মখাদা ফ্রেসিস ফ্রেসনা তৌখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, ষ্টেটসিদগী ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং হায়বদি শিং, কিহোম, চাকহাওনচিংবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমদি মপান লৈবাক কয়াদা মোমানা এক্সপোর্ট তৌরি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক অসিদা ষ্টেট অসিদগী লুপা ক্রোর ৬৮ লোম ওইগদবা ওর্গানিক্কী পোৎলম কয়া এক্সপোর্ট তৌখ্রে। লৈঙাক অসিনা কন্না হোৎনবদগী ষ্টেট অসিদা হৌজিক ঙাগী পোত্থোক হেনগৎহনবদা নত্তনা হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচরগী পোত্থোকশিংসু হেন্না পুথোকপা ঙম্লে। হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচরগী সেক্তরদা থবক তৌরিবশিংগী য়েংলগা লৈঙাক অসিনা হৌজিক ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ত্রিবৱেল অমদি চেক দাম কয়া শেমগৎলি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদসু মখা তানা ওর্গানিক আউটলেটশিং হাংদোক্লবা হোৎনগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, এদিসনল চীফ সেক্রেটরি (হোর্টিকলচর) পি বাইফৈ অমদি হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

হেন্না চাউখৎপা শামুরৌ কৈথেল ওইহনবীয়ু : আই দি ও

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): হেন্না চাউখৎপা শামুরৌ কৈথেল ওইহনবীয়ু হায়না ইনিসিএটিভ এন্দ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (আই দি ও), শামুরৌগী সেক্রেটরি ওকেন্দ্রো হৈস্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ইলেক্টেদ কাউন্সীল্লরশিংগী চহী মঙাগী মতম লোইখিদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মহুদ দিপার্টমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরিনা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ২০দা থোকপা ওর্দরদা দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংবু ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপখ্রবা মতুংদা চহীসিগী মার্চ ১৭তা এদমিনিষ্ট্রেটর অমদি এগজিক্যুটিভ ওফিসর, শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলদা এদ্রেস তৌদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিঞ্জখি। হায়রিবা মেমোরেন্দম অদুগী মনুং চন্না ইলেক্টেদ কাউন্সীল্লরশিং লৈরিঙৈ মতমদা পাঙথোকপীরমদ্রবা থবক কয়া এদমিনিষ্ট্রেটর অমদি এগজিক্যুটিভ ওফিসর অনীনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইদুনা কৈথেল থিংখিবদা থা ৩গী ভেন্দর লাইসেন্স ফ্রী কোকপীখিবগা লোয়ননা সেপ্টেম্বর থা অসিদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অসিগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর লাইশ্রম রোমেশনা অৱাৎপা য়েংবীদুনা মতম কয়াগী মমাঙদগী মমদুনা লৈরম্লবা শামুরৌ অৱাং লৈকায় মচু সিনেমা হোল মপাদগী শামুরৌ ময়াই লৈকায়গী শামুরৌ কাংজৈবুং মপা ফাওবা ষ্ট্রিট লাইট নৌনা হাপচিনবীরকপা অমদি শামুরৌ কৈথেলদা হেন্না মশক মঙাল থোক্লবা অচৌবা মখলগী ষ্ট্রিট লেম্প হাপ্তুনা অচৌবা মঙাল পীবীরকপবু ইনিসিএটিভ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন শামুরৌ (আই দি ও এস), এদমিনিষ্ট্রেটর, এগজিক্যুটিভ ওফিসর, শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি এম এস পি দি সী এলগী এস ও বিতেশ্বর অমদি মহাক্কী ষ্টাফশিংবু থাগৎপগা লোয়ননা তৌবীমল খঙবা উৎচরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ময়াই লম্বী হায়রগসু খঙনবা এন ঐচ ১৩৭ (এ) ফীভম অদুক্কী মতিক শোক্লবা ফাওবা শেমজিনবীদ্রিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংদা ৱাফম থমজরি। মীয়াই লম্বীবু ইম্ফাল-মোরেগী অল্টর্নেট রোদ অমা ওইনা শেমগৎ শাগৎনবা নেসনল হায়ৱেগী থাক্তা ওনখৎপগী ৱাফম লৈখ্রবনি। অদুবু লাইবক থীবদি হান্নগী ষ্টেট হায়ৱেগী ফীভমদগী হেন্না শোকচিন্না লৈরে। হেন্না ফীভম শাথিনা শোক্লিবা মফমনা হিয়াংথাং মখাদগী ৱাঙ্গৈইগী মথক অসিনি। লম্বী অসিদা নোংমদা গাড়ী ১০০০/১০০০ চৎপা লেপত্রি। হৌজিক ওইরিবা লম্বীগী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা মশীং খঙদ্রবা লম্বীগী এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মরাল লৈজদ্রবা/লৈজদ্রবী চমজরবা মীওই কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙখিবা য়াবগী চিংনবা লৈ। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা লম্বী-থোং ফগৎনবা হোৎনবগী মনুং চন্না ময়াই লম্বীগীসু শরুক য়াওহনবীয়ু। অথুবা মতমদা হায়রিবা ময়াই লম্বী অসি মতমগা চুনবা লম্বী অমগুম্না শেমজিনবীয়ু। হায়জরিবা অসি থবক ওইনা পায়খৎপীরক্তবা তারবদি লম্বী অসিগী নাক-য়েৎতা তারিবা ক্লব/ওর্গনাইজেসনশিংগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদকী মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম লেপ্তুনা চত্থরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্না থেংনরিবা তমথিরবা কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা অমদি থেংনবা ঙম্নবা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুর (কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, য়ু পি এ সী ও, মপি কাউন্সীল)না লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ঙসিসু ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বা এরিয়াশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর গীতচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা মফমশিং অদুদি ময়াং ইম্ফাল কৈথেল, ৱাঙ্গৈই কৈথেল অমসুং শামুরৌ কৈথেলদনি। কৈথেলশিং অসিদা পোৎফম ফল্লিবশিং অমদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা পোৎফম কুংনা ফল্লম্বশিং লাপথোকহনবগা লোয়ননা ফেস মাস্ক উপ্তুবা, কাঙলোন চুম্না উপ্তুবা অমদি হায়জিনিক ওইদবা মাস্ক উপ্পশিংদা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখি। পোৎ-চৈ লৈবা লাক্লিবশিংদসু ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না লৈহনবা অমদি পোৎ-চৈ লৈবা লাক্লিবশিংনা পুরকপা গাড়ীশিং মফম চানা পার্ক তৌহনখি।

অমরোমদা, কোভিদকী এস ও পিশিং ঙাক্ননবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পোষ্ট কেম্প্যেন পাঙথোকখি। পোষ্টর কেম্প্যেন অদু ককচিং খুনৌ, উয়াথেল, চজিং খুনৌ, সেরৌ কৈথেল, শুগুনু কৈথেল, ৱাপোকপী অমসুং নুঙ্গুদনি। পোষ্টর কেম্প্যেন অসিগী পাউজেলদি মীয়াম তীনবা মফমদা য়ারিবমখৈ মাস্ক লৌথোকপীগনু, মীয়াম তীনবা মফমদা করিগুম্বা পোৎশক অমা চানিংলবদি মীয়ামদগী খরা নাথৈরগা চবীয়ু। মাস্ক উপ্তুবা মীওইদা পোৎ লৈবা পীবীগনু, মাস্ক উপ্তুবা দুকান মপুদগী পোৎ লৈবীগনু। অদোম্না চেকশিন্দ্রবদি মীয়াম পুন্না ৱামিন্নগদৌরিবনি কাউবীগনু, খুৎ-শা তোয়না হাম্দোকপা কাউবীগনু, মী অমগা মী অমগা ফিট ৬ লাপ্পনা লৈহনবা কাউবীগনু, পুং ১৪ হেন্না মাস্ক শীজিন্নরবদি মাস্ক অনৌবা অমা শীনবীয়ু, পুলিস উরগা এস ও পি ঙাকপা উদ্রগনা এস ও পি ঙাক্তবা তৌবীগনু। পুলিসনা লৌরিবা থৌদাং মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়বনচিংবনি। লোয়ননা কম্মিটি অসিনা আয়ুশ দিরেক্টোরেটকা খুৎশম্নদুনা আয়ুশ-৬৪ টেব্লেট ঙরাং সোসল ৱেলফেয়র ক্লব তোপ সিফাই, ককচিং খুনৌ কোভিদ টাস্ক ফোর্স অমদি চজিং খুনৌ টাস্ক ফোর্সতা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।